Narcotics Anonymous®

নার্কোটিক্স এনোনিমশ

IP 2-MP

# কাংলুপ

# কাংলুপ

## শন্দোক্লা তাকপা অমসুং মথৌ

ফগৎলক্লিবা এদিক অনী নৎত্রগা হেন্বনা অকক্লবা মতম অমসুং মফম অমদা চাং নাইনা উনদুনা এদিকশনগী লায়নাদগী ফগৎলকপা হায়বা মথৌদুগীদমক্তা পাঙথোক্লিবা মীতিং অমা হেক্তা নার্কোতিক্স এনোনিমশকী কাংলুপ অমনি। নার্কোতিক্স এনোনিমশকী কাংলুপ খুদিংমক এন: এ:গী খোঙথাং তরানিথোই অমসুং চৎনরোল তরানিথোইগী ফিরেপশিং অদুনা পুল্লি। কাংলুপ খুদিংমক্কী অহানবা মথৌ অমদি লৈ - হৌজিক হৌজিকমক ৱাদুনা লৈরিবা এদিকশিংদা ফগৎলকপগী পাউজেল অসি পুবা।

ঐখোয়গী অহান্বা ইথৌ অসিবু নিংশিংবা হায়বসি মরু ওই। মদুওইরগদি মখোয়গী অহান্বা মীতিংদা লাক্লিবা এদিকশিং অদুনা মীতিংদা য়াওরিবা অতোপ্পশিংদুগা শকখঙনবা অমসুং পাউদম্নবা ঙমগনি। হান্নদগী লৈজরক্লবা মেম্বরশিং অদুগীসু য়াওনা শীজিন্নবা লেপ্লগে হায়বগী অপাম্বা লৈরবা নৌনা লাকপা অদুগীদমক্তা ফগৎলকপগী নুংশিৎ অমা শিৎলহন্বা হায়বসি কাংলুপ অদুগীদমক্তা ফগৎলকপগী নুংশিৎ অমা শিৎলহন্বা হায়বসি কাংলুপ অদুগী দায়িত্ব অমনি। নৌনা লাকপা অদুদা তরাম্না ওকই হায়বসি ফাওহন্বা ঐখোয়না পাম্মী। ঐখোয়না অহান্বা ওইনা এন: এ:দা লাকখিবা মতম অদুদা ঐখোয়না কয়াগী মতিক পাখৎচখিবা অমসুং নুংনাংখিবা হায়বদু ঐখোয় পুন্নমক্লা নিংশিংবা ঙম্মী। অহৌবগী মোমোন মীনোক্তুবু ঐখোয়না তরাম্না ওকচখি অমসুং ঐখোয়না নাইতোম তারে হায়না ফাওখিবা মতমদুদা অচম্বা নুংশিনা কোনবীবা অমনা তাইবংপাল অসিদা অহোংবা পুন্নমক অদু পুরকপা ঙমখিবগে হায়বদু খঙজখি। ঐখোয়না লাকখিবা মতৌ অদুগুম্না লাকপা অমসুং ঐখোয়গী ইহুলশিং অমসুং হকথেংনরকপশিং অসিবু ভাব তাবীগদৌবা অতোপ্পশিং ঐখোয়না থিবা মথৌ তাই। শেংনা লৈরিবা অমসুং এন: এ: প্রোগ্রামদুগা চান্নবা হিংলিবা অতোপ্পশিং অদুগী তুং ইন্দুনা এদিক অমনা হেক্তা শেংনা লৈবা ঙমখি হায়বসি হেক হৌগৎলকপদগী হৌনা ঐখোয়না খঙখ্রে।

কাংলুপ হায়বসি অচংবা এদিকশনদগী নীংতম্নবগী আশাগী পাউজেল অদু পুননবগী খ্বাইদগী পাঙ্গল লৈবা গাড়ীনি। এদিক অমনা হেক্তা শীজিন্নবা লেপ্পা ঙম্মী, শীজিন্ননিংবগী অপাম্বা অদু মাঙহল্লি, অমসুং হিংননবগী অনৌবা অমদি হেন্না ফবা লম্বী অমা ফংই। মীতিংশিংদা অতোপ্পা এদিকশিংনা মখোয়গী হকথেংনরকপা, পাঙ্গল অমসুং আশা অদু মখোয় মশাবু শেংনা লৈহন্ননবগীদমক্তা অমসুং অতোপ্পশিংবু শেংনা লৈবদা মতেং পাংনবগীদমক্তা য়েন্নবা ঐখোয়না তাবা ফংলে। ঐখোয়না খঙলে মদুদি এদিক অমনা অতোপ্পা অমদা মতেং পাংবীবা হায়বসিগী লাইয়েংবগী মমল অসিগা মান্নবা অতৈ অমা লৈত্রে।

মসি ঐখোয়গী হকথেংনরকপনি মদুদি ঐখোয়দা তম্নদুনা লৈরম্বা ইহুলশিং অদু ঐখোয়না মীতিং চাং নাইনা য়াওরবা মতমদা থাদোকখিবা হৌরকই। নার্কোতিক্স এনোনিমশকী খোঙথাংদগী ঐখোয়না ফংলকখিবা আশা, হরাও-তয়াম্বা অমসুং পুন্সিগী অনৌবা লম্বী অদুগীদমক্তা তৌবিমল

পোকচবগী ইহুলশিং অদুনা মখোয়গী মহুৎ শিনখি। অমসুং খ্বাইদগী মরুওইবদি, ঐখোয়গী মীতিংদা চাং নাইনা লাক্লিবা মখোয়শিং অদু শেংনা লৈ।

## হোমগ্রুপ :

হোমগ্রুপ অমা খন্দোকপা অমসুং শৌগৎপা হায়বসিনা ফগৎলকপগী খ্বাইদগী মরুওইবা শরুক অমনি। হোমগ্রুপ হায়রিবসি নহাক্না হৈনবা মীতিং অমসুং চাং নাইনা শরুক য়াগদৌরিবা মফম অদুবুনি। ঐখোয়গা চানবা অমসুং ঐখোয়গী ওইবা মফম অমা মসিনা তাকপীরি মরম অদুনা ঐখোয়না মসিবু ঐখোয়গী হোমগ্রুপ হায়না কৌই। হোমগ্রুপ অমা লৈবনা চয়োল খুদিংগী মীওইশিংদুবু মশক খঙবা ঙম্বা অমসুং মখোয়না ঐখোয়বু তশেংনা মশক খঙবা ঙম্বা অদুগুম্বা ঙাকলৌ অমা ঐখোয়দা লৈহল্লি। ঐখোয়না পুন্না মপুং-মরৈ ফামিন্নরকপগা লোয়ননা ঐখোয় ইশেলগী মরক্তা লিপুন অমা ঐখোয়না শেমগৎলকখি।

ঐখোয়গী হোমগ্রুপতা ঐখোয়না অরেপ্পা অমা থম্মী অমসুং করিগুম্বা মরম খরগীদক্তা ঐখোয়না শরুক য়াহৌদ্রবদি, ঐখোয়বু উনিংবনা খৌরাংগনি। ঐখোয়গী হোমগ্রুপ অসি শেংনা লৈবা মতমগী অনৌবা চহী খুদিংমক্কী থৌরম পাঙথোকফম অদুগুম্বা মফম অদুসুনি। ঐখোয়গী পুন্সিদা অহান্বা ওইনা তত্তনা, ঐখোয়না অশেংবা মরুপশিং শেমগৎলি, অমসুং অমনা অমবু ইকাই খুম্নবা উৎপা তম্মী। ঐখোয়গী ফগৎলকপদা মসি য়াম্না মরুওইগনি।

মেম্বরশিংনা শারেপ ফারকখিবগা লোয়ননা, কাংলুপসু ফারকখি। নার্কোতিক্স এনোনিমশকী নুংগী ওইবা ফিরেপশিংবু ঐখোয়গী থৌদোক খুদিংমক্তা শীজিন্নবা ঐখোয়না তম্মী। কাংলুপকী য়াইফনবা অমসুং মপুং মরৈ ফারক্লুবগীদমক্তা দায়িত্বশিংদুবু খাইদোক্লবা অমসুং য়েন্নথোকপসু ঐখোয়না তম্মী।

হোম গ্রুপকী মেম্বরশিংনা মখোয়গী কাংলুপ্পা মায়োক্লরিবা সমস্যাশিং নৎত্রগা খুদোংচাবশিং অদু খঙনা নৈননবা হোৎনগদবনি অমসুং মতেং পাংগে হায়বগী অনীংবা লৈগদবনি। কাংলুপকী ৱাখল অদুগী মেম্বর অমা ওইনা অপুম্বা এন: এ:দা শোকহল্লকপা মরমশিংদা লোয়ননা নহাক্কী হোম গ্রুপকী য়াইফনবগী ওইনা মরমশিংদা নহাক্না ভোট পীরিবা মফমদুবুনি হোমগ্রুপ অমা হায়রিবসি। এরিয়াগী থাক্তা ফগৎলকপগী পাউজেল পুবদা হোম গ্রুপশিংসু শরুক য়াই। লিংজেল মান্নবগী ৱাখলদা, অমত্তা ওইবা মথৌদা, অপুম্বা এন: এ:গী য়াইফনবগীদমক্তা, ঐখোয় খুদিংমক্না ঐখোয়গী শরুকশিং অদু পাঙথোকপা হায়বসি মরু ওই।

## কাংলুপ অমা শেম্বা

কাংলুপ অমা শেম্বা মতমদা *চাং নাইবা মীতিং মফম অমা ফংবা হায়বসিনা অহান্বা তঙায় ফদবনি। মীতিং অদু চাউথোক্লকপগীদমক্তা জাগা লৈগদৌবা অমসুং ফগৎলকপগী নুংশিৎ অমা চেলহন্বদা মতেং পাংলক্কদবা মফম অমা ফংননবা হোৎনৌ। ''এন: এ: কাংলুপ অমতনা মপালগী সংস্থান অমদি মরী লৈনবা মফম অমত্তদা এন: এ:গী মমিংবু শীজিন্নহনবা, শেল পাংবা নৎত্রগা ৱায়হন্বা কৈদৌঙৈদসু খক তৌরোইদৌবনি, পৈশা, লন-থুম, নৎত্রগা ইজৎকী ৱাফম্না মরম ওইদুনা ঐখোয়গী অহানবা ইথৌদগী ঐখোয়বু খক নাথৈহল্লোইদৌবনি,'' তরুকশুবা চৎনরোলনা হায়রিবশিং অসিবু কাংলুপ অদুনা শীজিন্নবা য়াননবা মফম অমা ফংনবা থিবা হায়বসি মরু ওই। মসিগী পুনশিন্নদবগী ফিরেপ অসিনা কাংলুপ অদুগী মনীংতম্বা অদু শাগৎচবা য়াহল্লি। মফম অমা ফংলবগী তুংদা, চয়োলদুগী মতম অমসুং নুমিৎ লেপথোকউ, মীতিং মফম অদু হাংদোকপগী অমদি লোনশিন্বগী অমসুং অতৈ অতোপ্পা দরকার ওইবা শেম শাগদবশিং অদুগীদমক্তা শিন্দোকউ। চৎনরোল তরেৎনা ঐখোয়দা হায়রি, ''এন: এ: কাংলুপ খুদিংমক মশানা মশাবু মপুং ফানা শৌগৎচবা ওইগদৌবনি; মপালগী তেংবাং লৌরোইদৌবনি।'' তরেৎশুবা চৎনরোল অসিবু লোয়নদুনা থল্লগা, মফম অদুগীদমক্তা ভারা পীননবা পাম্বে অম লেপথোকউ; এন: এ: কাংলুপশিং (থোং হাংদোকপা, কোফি শেম্বা, সাহিত্যশিং পিবা, লু-নালহন্বা, অসিনচিংবা) অসি এদিক অনী নৎত্রগা হেম্বনা পুমিন্নবা হায়বসিনা খ্বাইদগী অফবা ওই। মখোয়গী মীতিং মফম অদু মখোয়না মতীক চানা য়েংশিন্বা ঙমখিদবা অদুনা মরম ওইদুনা কাংলুপ খরদি মখোয়গী মীতিং মফম অদু মাঙজখি। অদুবু করিগুম্বা কা অদু ঐখোয়না ফংখিবা মওং অদুদগী হেন্না ফবা মওংদা ঐখোয়না মদুবু থাদোকপীরম্নবা হোৎনরগদি, ঐখোয়না ফগৎলকপগী নুংশিৎ অমসুং নার্কোতিক্স এনোনিমশকী মীংচৎপু ঙাক শেন্বিরবনি।

করিগুম্বা মীতিং অদু হৌদোকপদা থীল্লগদি, ঙাইবা কল্লু। মদু শোয়দনা চাউথোরকখিগনি হায়বসি হকথেংনরকপশিংনা প্রমান্নি। খ্বাইদগী নকপা এরিয়া নৎত্রগা রিজনল কমিতিগা পাউ ফাওদোক্লবা, অতোপ্পা মীতিংশিংদা লাউথোকপা অমসুং চেজাইশিং য়েনথোকপনা শৌগৎপীবা হায়বদু লাকহল্লকপা ঙমগনি।

চপ চানা শরুক য়ারকপা অমসুং শৌগৎপা হায়বদু লৈরবা মতমদা, কাংলুপকী থবক্কী ওইবা মীতিং অমা পাঙথোকই। মসিগী অহান্বা মীতিং অসিদা, কাংলুপকী ওইবা মরমশিং অদু নিয়ম নাইহল্লে (মমিং, মওং মতৌ, অসিনচিংবা) অমসুং থাজবা মনাইশিং খন্দোক্লে। হায়রিবা মতম অসিদা কাংলুপ অদু হেন্না থবক ইনখাংগী ওইবা মওং মাল্লগসু, ঐখোয়গী অহান্বা ইথৌ অদু পাঙথোক্লনবগীদমক্তা ঐখোয়না য়ুম্ফম থোল্লিবনি হায়বসি ঐখোয়না নীংশিংগদৌবনি। কাংলুপকী মেম্বর অমমম ওইনা এন: এ:গীদমক্তা চেকশিনবীবা অমসুং ঐখোয়গী ফগৎলকপদা থাজবা হায়বসি ঐখোয়গী দায়িত্বনি। ঐখোয়গী হোমগ্রুপ্তা শরুক য়াবা হায়বসি ঐখোয়গী ওইনা খুদোংচাবনি।

## ওএন: এ: কাংলুপ অমা হৌদোক্লবগী অহেন্বা পাউগীদমক্তা কাংলুপকী লাইরিক হায়বদু য়েংবীয়ু।

## থাজবা মনাইশিং

ঐখোয়গী অনীশুবা চৎনরোলনা ঐখোয়দা হায়রি, ''ঐখোয়গী কাংলুপকী মথৌগীদমক, অরোইবা মপু অমদি লৈ - নুংশিরবা ঈশ্বর অমা মহাক মশানা ঐখোয়গী কাংলুপকী ল্লাখলদা মশাবু ফোঙদোকপীরকপা য়াই। ঐখোয়গী লুচিংবশিংদি থাজবা মনাই ঙাক্তনি মখোয়না সাসন তৌদে।'' ঐখোয়গী থাজবা মনাইশিং অসি মরম অদুনা, কাংলুপ অদুগী য়াংলেন শরুনি। অমসুং মখোয়না মীতিং খুদিংমক্তা চাং নাইনা য়াওবা হায়বসি কা হেন্না মরু ওই। সেবা তৌবদা মতীক চাদবা অমসুং ঐখোয়গী ফেলোশিপ্তা ফগৎলকপগী ইতিহাস লৈতবা কনাগুম্বশিংবু থৌমী ওইনা খল্লুবা অসিনা এন: এ:গী কাংলুপশিংবু ল্লাহনখিবা নৎত্রগনা থুপচিনখিবফাওবা য়াওহনখিবা কোমকুৎশিং অদুগী মনুংদা অমনি। এন: এ:গী মীখল অসি থাজবা মনাই খন্বা হায়বদুগী মহুত্তা মীংচৎকী চাংয়েংগুম্লা তত্তনা থোকহল্লি। মখোয়গী থবক মফমশিং অদুনা পুরিবা দায়িত্বশিং অমসুং ফত্তবা থৌমীশিংনা কাংলুপ অদুদা পীরকপা য়াবা থৌরবা শাফুদু য়েংলগা কাংলুপ অমগী থৌমীশিং হায়বসি য়াম্না চেকশিন্বগা লোয়নদুনা খলহৌগদৌবনি। সেবা তৌগে হায়বগী অরেপ্পা ল্লা অদু মপূং ফাহনবা হায়বসি মরু ওই। কাংলুপকী থাজবা মনাইশিংগী ওইবা তেল্লপ শুগাইনা তাকপা অমা মখাগী পেরাশিং অসিদা য়াওরি। হেন্না মপূং ফাবা শুগায়না তাকপা অমগীদমক্তদি অয়াবা পীরবা এন: এ:গী সেবাগী মেন্যুএলদা নৈনবীয়ু।

সাধরনগী লমজিং অমা ওইনা, মখোয়গী দায়িত্বশিং অদু পাঙথোকপদা মথৌ তাবা অকক্লবা পোৎচঙশিং অদু মখোয়দা য়াওরগদি থাজবা মনাইশিং অদু খ্বাইদগী হেন্না মায় পাকই হায়বসি ঐখোয়না উখ্রে। পোৎচঙশিং অদুদা য়াওরিদি :

১। সেবা তৌগে হায়বগী অনীংবা অমসুং অপান্বা
২। এন: এ:দা ফগৎলকপগী ইতিহাস অমা (ঐখোয়না হায়রি য়ামদ্রবদা চহী অমগী মতম শেংনা লৈবা অমা)
৩। এন: এ:গী খোঙথাং তরানিথোই অমসুং চৎনরোল তরানিথোইগী চৎনবা য়াবা জ্ঞান অমসুং ভাব তাবা অমা
৪। কাংলুপ অদুদা চঙনা শরুক য়াবা

## সেক্রেটরি

মখাগীশিং অসিগীদমক্তা সেক্রেটরি অদুনা দায়িত্ব ওই :

মীতিং মফম চাং নাইনা হাংদোকপা অমসুং লোনশিন্বা-ওইনিংবা মরম ওইসনু।
এন: এ:গী ফগৎলকপগী পাউজেল পুবীগদৌবা কনাগুম্বা লুচিংবা অমা খন্দোকপা
কোফি সুকশোই শোয়দনা শেল্লি হায়বদু য়েংবা
মীতিংগী রেকোর্দশিং তৌশিন্বা
কাংলুপকী থবক্কী ওইবা মীতিংশিংগীদমক্তা শেম শাবা

সেক্রেটরি অদুনা চাউরবা দায়িত্ব অমা পুরিবনি মরম অদুনা মসিগী ফম অসিবু য়াংনা লৌরোইদৌবনি। মতম লৈবা খিবিক্তা হোমগ্রুপ অদুগী মেম্বরশিংনা তেংবাংগীদমক্তা হায়জরকপদা মতেং পাংগে হায়বগী অনীংবা অদু লৈগদৌবনি।

## ট্রেজরর

মখাগীশিং অসিগীদমক্তা ট্রেজরর অদুনা দায়িত্ব ওই :

কাংলুপকী পীফম থোকপশিং পীথোকপা
সাহিত্য অমসুং পোৎ চৈশিং লৈবা
শেলথুমগী রেকোর্দ তৌশিন্বা
শেল লাক্লবগীদমক্তা কাংলুপকী ৱাখলগী ওইবা ৱারেপশিং অদু পাঙথোকপা
কাংলুপকী অদুদা চাং নাইনা পাউদমশিং পীবা

করিগুম্বা ট্রেজরর অদুদা তঙায় ফদবা অঙ্কগী জ্ঞান লৈরগদি অমসুং মশাগী শেল থুমগী হিসাব নিয়ম চুন্না পান্নজবা ওইরগদি মতেং ওই। কাংলুপকী পৈশা লান্না শীজিন্নবা হায়বসিনা ঐখোয়না মায়োক্লখিবা খ্বাইদগী চাউবা সমস্যাশিংগী মনুংদা অমনি। দরকারগী শেনফমদা লৈরম্বা দোলার লিশিং কয়া মাঙখ্রে। মসিগী লান্না শীজিন্নবা অসিনা নার্কোতিক্স এনোনিমশনা তৌবা য়াবশিং অদুদা অথিংবা পীবখক্তা নত্তনা, ''কাংলুপ খুদিংমক্কী অহান্বা মথৌ অমদি লৈ-হৌজিক হৌজিকমক ৱাদুনা লৈরিবা এদিকশিংদা পাউজেল অসি পুবা'' অসুম্না হায়রিবা, ঐখোয়গী মঙাশুবা চৎনরোলগী থম্মোয়দা য়ৈররি। মখোয়গী ফমশিংদুবু লান্না শীজিন্নখিবা ট্রেজররশিংদুনা মখোয়গী লন্নাইগী ফগৎলকপগী লমদা পীবা মমল অদু শাথীনা লুম্বনি হায়বসি অয়াম্বা মতমদা মখোয়না খঙখি। শেংনা হায়রবদা, ট্রেজরর অদুগী লুরবা দায়িত্ব লৈ অমসুং মসিগী থৌরম অসি পাঙথোক্কদৌরিবা মেম্বর অমা খন্বদা ৱাখল য়াম্না মুন্না খলহৌগদৌবনি। কাংলুপকী ট্রেজরর অমা ওইনা সেবা তৌবদা চঙবা মরমশিং হেন্না ফংনবগীদমক্তা এন: এ:গী কনফরেন্সনা অয়াবা পীরবা ট্রেজররগী *খুৎপাই লাইরিক* অদু নৈনবীয়ু।

## কাংলুপকী সেবাগী মীহুৎ (জি: এস: আর:)

মখাগীশিং অসিগীদমক্তা জি: এস: আর:না দায়িত্ব ওই :

এরিয়া সর্ভিস কমিতি (এ: এস: সি:) অদুগী মীতিং চাং নাইনা য়াওবা
এ: এস: সি:গী সব-কমিতিশিংদা মেম্বর অমা ওইনা সেবা তৌবা
কাংলুপ অমসুং এরিয়াগী মরক্তা লংদাই অমা ওইনা সেবা তৌবা
জি: এস: আর: - মহুৎকা দায়িত্ব পুমিন্নবা
ৱার্ল্ড সর্ভিস ওফিসতা কাংলুপ অদু চপ চানা রেজিষ্টার তৌশিন্দুনা থম্বা

কাংলুপ অদুগী পাউ ফাওননবা অদু ওইবা হায়বসিনা মসিগী ফম অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা মমাইনি। সেবাগী মীহুৎ অসিনা কাংলুপ অদুগা লৈহৌরিবা ফেলোশিপপুন্বা অদুগগী মরক্তা লৈবা তৎনবা য়াদ্রবা শমজিন্নফম অদু ওই। জি: এস: আর: হায়বসি নিয়মগী মখাদা লৈবা পাউ ফাওননবগী মরী অদুনি, মখোয়গী মথৌদি অতোপ্পা কাংলুপশিংদা নৎত্রগা অপুন্বা এন: এ:দা শোল্লকপা য়াবা মরমশিংদা কাংলুপকী ৱাখল অদুগী মহুৎশিন্বনি। মালেমগী ওইবা এন: এ: ফেলোশিপ্তা চাওখৎলক্লিবশিংগী মতাংদা কাংলুপ অদুদা পাউ পীবা অমসুং কাংলুপ অদুগী পাঙথোক্লিবা থবকশিং, পাঙ্গলশিং নৎত্রগা সমস্যাশিং অদু এরিয়াদুগা লোয়নদুনা য়েন্নবা হায়বসি মসিগী মথৌ অসিনা মীহুৎ অদুদা দরকার ওইহল্লি। এন: এ:গী পাউ ফাওননবগী মরী অদু জি: এস: আর: অদুনা তৎহন্দবা হায়বসি মরু ওই।

## কাংলুপকী সেবাগী মীহুৎ-
## মহুৎ (জি: এস: আর-মহুৎ)

অহান্বা চহী অদুনা তম্বা ওইনা লৈবা অদুগা অনীশুবা চহী অদুনা জি: এস: আর: ওইনা লৈবা চহী অনীগী ওইবা অরেপ্পা অমনি হায়বসিখক নত্তনা জি: এস: আর: - মহুৎ অদুগী ফম অসি জি: এস: আর:দা শৌগৎপীবা অদু পীননবগীদমক্তা অমসুং তম্মনবগীদমক্তা জি: এস: আর:- মহুৎ অদুনা এ: এস: সি:গী মীতিং খুদিংমক্তা য়াওবা হায়বসি তঙায় ফদে। জি: এস: আর: লৈতবা মতমদা জি: এস: আর: - মহুৎ অদুনা জি: এস: আর:গী মথৌ অদুসু পাঙথোক্কনি।

## সেবা তৌনবগী অহেন্বা লম্বেলশিং

মথক্তা পনখ্রিবশিং অসি সেবাগী অকক্লবা নিয়মশিংগা লোয়ননা খল্লবা থাজবা মনাইশিং ঙাক্কনি। ঐখোয়না সেবা তৌবা য়াবা অতোপ্পা লম্বেল অমদি ৱাঙাঙবা নৎত্রগা লুচিংবা অমা ওইননি; অসিগুন্বা থাজবা মনাইশিং অসি সধারন ওইনা কাংলুপকী সেক্রেটরি অদুনা খল্লি। মালেমগী ওইবা ফেলোশিপসিগী শিন্বা থুংনা শীজিন্নখিবা মশীং লাকঙমদ্রবা নিয়মশিং অমসুং মীতিং শিন্নবগী তোঙান তোঙান্বা লম্বেল কয়া লৈ। হায়রিবশিং অদুনা অতোপ্পা কাংলুপশিংদা নৎত্রগা অপুন্বা এন: এ:দা শোকহন্দ্রিবমখে নীংতমগনি হায়না ঐখোয়গী মরিশুবা চৎনরোলনা ঐখোয়দা ৱাশকপীখ্রে। মসিগী মখল মথেল কয়া অসিনা ঐখোয়গী ফেলোশিপ অসিবু ইনাকখুলহল্লি অমসুং ঐখোয়গী তৌবা ঙম্বা অদু হেনগৎহল্লি। ঐখোয়গী অহান্বা ইথৌদি মতম লৈবা খিবিক্তা হৌজিক হৌজিকমক ৱাদুনা লৈরিবা এদিকশিংদা ফগৎলকপগী পাউজেল অসি পুবনি।

## লুচিংবা

লুচিংবা - মফম কয়াদা "চেয়ারপর্সন" হায়রগসু খঙনবা - নার্কোতিক্স এনোনিমশকী মীতিং কয়াদা চাং নাইনা য়াওরকপদগী ফংলকপা হকথেংনরকপা, পাঙ্গল অমসুং আশা মঙোন্দা লৈগদৌবনি। খন্ন-নৈনবা অদু নান্না চথখিনবা অমসুং কাংলুপকী মওং মতৌ অদুগী মতুং ইন্দুনা চৎপা হায়বসি মীশক অসিগী দায়িত্বনি। মসি মীপুম খুদিংমক্কী ওইবা মীতিংনি অমসুং মীশক অমমমগী য়েন্নখ্রবা মতুংদা মত পীরোইদবনি হায়বসি লুচিংবা অদুনা নীংশিংগদবনি।

ফগৎলকপগী নুংশিৎ অমা শিৎহন্নবগীদমক্তা মীতিংদুবু লুচিংলিবা মীশক অদুনা দায়িত্ব ওই। সমস্যাশিং য়েন্নবা হায়বসিনা মশক খঙনবগীদমক্তা দরকার ওইবা তারগসু, পাউখুমশিং য়েন্নবা হায়বা অসিবু ফগৎলকপগীদমক্তা দরকার ওই। শেংনা লৈবা হায়বা অকক্লবা ইথৌ অসিগীদমক অমসুং অতোপ্পা এদিকশিংবু এদিকশনদগী ফগৎলকপা হায়বদু ফংবদা মতেং পাংননবগীদমক্তা ঐখোয় মফম অসিদা লৈরিবনি হায়বসি লুচিংবা অদুগী ৱাখলদা মতম লৈবা খিবিক্তা ফাওগদবনি।

## ৱাঙাংবা

মীতিং অমদা ৱা ঙাংননবা খল্লবা এন: এ: মেম্বর অদু এন: এ:গী ফগৎলকপগী প্রোগ্রাম হায়বদি, খোঙথাং তরানিথোই অমসুং চৎনরোল তরানিথোই অসিবু পাঙথোক্লিবা অমসুং হিংলিবা কনাগুম্বা অমা ওইবগী মথৌ তাই। খোঙথাং তরানিথোই অমসুং চৎনরোল তরানিথোইগা হকথেংনরকপগী নৎত্রগা মচং ওইবা শেংনা লৈবা মতম অদু য়াওবা এন: এ: মেম্বরশিং মরাং কায়না লৈজদবা অদুগুম্বা এরিয়াশিংদা, নার্কোতিক্স এনোনিমশতা পুন্না হকথেংনরকত্রিবা কাংলুপ অমনা এন: এ:গী চৎনরোলশিংবু শেরান্নদা লৌখিবা য়াবা অমসুং এন: এ: ফেল্লোশিপকী, মপালদগী ৱাঙাংবশিং বার্তন তৌরুবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মসিগী ফিভম অসিদগী নাম্থোক্লনবা লম্বী কয়ামরুম লৈ। অতোপ্পা এরিয়াদগী অনৌবা কাংলুপশিংবু শৌগৎপীনবা থাপ্পবা মফমশিংদা চৎনবগী অনীংবা অদু লৈ হায়বসি মেম্বরশিংদা, ঐখোয়গী বেসিক টেক্সনা, খুদম ওইনা ঐখোয়দা নীংশিংহল্লি। কাংলুপকী অহান্বা মথৌ অদু মপুংফাহন্বদা, হৌজিক হৌজিকমক ৱাদুনা লৈরিবা এদিকশিংদা ফগৎলকপগী পাউজেল অসি পুবদা ৱাঙাংবা অদুনা মতেং পাংই। এন: এ:গী মীতিং অমদা ৱা ঙাংবা মতমদা ঐখোয় ইশাবু এদিকশনগী লায়নাদগী ফগৎলক্লিবা এদিক ওইনা শক্তাক্তুনা ময়েক শেংবা ফগৎলকপগী পাউজেল অমা পীননবা চেকশিনগদৌবনি। ঐখোয়গী অচংবা এদিকশন নৎত্রগা "লানগী ৱারীশিং" অদুদা কা হেন্না খোঙদারুবগী মথৌ তাদে, মরমদি শিজিন্নবা হায়বদু করম তৌখিবগে হায়বদু ঐখোয় লোইনমক্লা খঙই। ঐখোয় শিজিন্নবা লেপ্পবা নার্কোতিক্স এনোনিমশতা লাকখিবনি অমসুং ঐখোয়গী হকথেংনরকপা, পাঙ্গল অমসুং ফগৎলকপগী আশা অদু য়েন্ননবা ঐখোয় মফম অসিদা লৈরিবনি।

শেমগৎলকপদা ঙায়রিবা এরিয়াশিংদা লৈরিবা ঐখোয়গী অনৌবা কাংলুপশিংগী মফমদা : খোঙথাং নৈনবা মীতিংশিং অমসুং সাহিত্যা নৈনবা মীতিংশিং অসি মেম্বরশিংগী মপুং মরৈ ফারকপগী য়াম্না মরু ওইবা অহৌবা অমনি হায়বসি ঐখোয়না উখ্রে। নুংশিবা অমসুং ফেলোশিপকা লোয়নদুনা নখোয়গী খ্বাইদগী ফবা অদু পাঙথোকপদা ঐখোয়না নখোয়বু পুক্নিং থৌগৎলি অমসুং হন্না হন্না লাকখো: মসিনা থবক পাঙই !

এন: এ:গী লম্বেলদা অতোপ্পশিংগা লোয়নদুনা
ঐখোয়না চেকশিনবীবা মতমদা অমসুং
ঐখোয়না য়েন্নরবা মতমদা
ঐখোয়গী তৌবীমলদু উৎলকই।

Copyright © 2009 by
Narcotics Anonymous World Services, Inc.
হক খুদিংমক অফোংবগীনি।

World Service O ce
PO Box 9999
Van Nuys, CA 91409 USA
T 818.773.9999
F 818.700.0700
Website: www.na.org

World Service O ce–CANADA
Mississauga, Ontario

World Service O ce–EUROPE
Brussels, Belgium
T +32/2/646 6012

World Service O ce–IRAN
Tehran, Iran
www.na-iran.org

মশি এনঃএঃ ফেলোশিপনা অয়াবা পিরবা সাহিত্যাদগী হনদোকচবনি।

Narcotics Anonymous, , , অমসুং The NA Way
রেজিস্টার তৌরবাখুদমশিংনি।
Narcotics Anonymous World Services, Incorporated.

ISBN 978-1-55776-361-7 Manipuri 5/09
WSO Catalog Item No. MP3102